মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ভোকেসনল ষ্টদিজ এন্দ স্কিল দিভেলপমেন্টকা মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটিগা খূৎশম্নদুনা ৱান দে সেন্সিটাইজেসন ৱার্কশোপ পাঙথোকখিবা

শিব সেনা মণিপুর ষ্টেটকী বাবুপাড়াদা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকপা মীফম অমদা প্রসিদেন্ট এম তোম্বীনা পিছ হান্না পুরক্লবা মতুংদা মীখল পাঙথোকপীয়ু হায়না পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবা

মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন রিজনল ওফিস ইম্ফালনা থৌবাল কোলেজগী এন এস এস য়ুনিটকা খূৎশম্নদুনা ইন্টিগ্রেটেদ কম্যুনিকেসন এন্দ আউটরিচ প্রোগ্রাম থৌবাল কোলেজদা পাঙথোকখিবা

ৱর্ল্ড কিদনি দে ২০২৪গা মরী লৈননা দিপার্টমেন্ট ওফ নেফ্রোলোজি রিমসনা শীন্দুনা ৱাংজিং কোদোম্পোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা নোংমগী ওইবা ফ্রী হেল্থ চেক অপ কেম্প পাঙথোকখিবা

ফ্রী হেল্থ কেম্প

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচএন এস) : ৱর্ল্ড কিদনি দে ২০২৪গা মরী লৈননা ঙসি দিপার্টমেন্ট ওফ নেফ্রোলোজি রিমসনা শীন্দুনা ঙসি ৱাংজিং কোদোম্পোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা নোংমগী ওইবা ফ্রী হেল্থ চেক অপ কেম্প অমা কিদনি হেল্থ ফোর ওল হায়বা থীমদা পাঙথোকখ্রে। হেল্থ কেম্প অদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ নেফ্রোলোজি রিমসকী হেদ ওইরম্বা প্রোফেসর ডা. এন শরতকুমার, দিপার্টমেন্ট ওফ নেফ্রোলোজি রিমসকী হেদ প্রোফেসর ডা. টি ব্রোজেন, ডা. এল কে শরতচন্দ্র, ডা. অকাশনচিংবনা শরুক য়াখি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচএন এস) : মৈতৈ ইন্দিজিনস থাঙ-তা এন্দ কলচরেল ইন্সটিট্যুট কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়গী থাঙ-তাগী আর্টিষ্ট অমা ওইনা লৈরম্বা রাজ কুমার হিগিন খোংমন জোন টুনা ঙরাং ইখঙ খঙহৌদনা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। ইন্সটিট্যুটসিগী শঙলেন্দা গুরু অমদি আর্টিষ্টশিংনা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা মহাক্কী থৱায়না তাইবং মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনিখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না সেক্রেটরি হেরোজিৎনা ফোঙদোরক্লি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯴ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ) : [illegible]

মণিপুরদা পিছ পুরক্লবা মতুংদা ইলেক্সন তৌসি : এম তোম্বী

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা মমাঙ চহীগী মে ৩দগী কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরদা কুকি খুলগা তায়নবা মফমশিংদা লৈবা মীতৈগী য়ুমশিংদা নোংমৈ অমদি বোম কাপশিন্দুনা লান্দারক্লিবসি হান্না ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা পিছ লাক্লবা মতুংদা ইলেক্সন পাঙথোকপীয়ু, নৎত্রগদি ইলেক্সন পাঙথোকপীগনু হায়না শিব সেনা মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল বাবুপাড়াদা লৈবা পার্টিসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এম তোম্বীনা মখা তানা হায়খিবদা, হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাংসিনা শোকহল্লবা মীওই কয়া অমা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। লাঞ্জেন্নরক্তুনা কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং অয়াম্বনা ময়ূম-মকৈ তূম্না মৈ থাদোকপীখ্রবা ঙাক্তনি। চহী কয়া চঙনা তাঞ্জরকপা মরল-মথুম কয়া মাঙ-তাকখ্রে। অঙাং কয়া অমা লাইরিক-লাইশু নীংথিনা তম্বা ফংদনা লৈরি। মখোয় অয়াম্বনা চাবা তঙ্খায়, শেৎপা তঙ্খায় হায়বা ফীভমদুদা অৱাবনা লাঙ্গোয় চন্দুনা লৈরি। ফীভমসিদা ঐখোয় হৌজিক ইমা লৈবাক কন্নবা হান্না হোৎনসি। মতুংদা ইলেক্সন পাঙথোকসি।

হৌজিক লমদমসিদা ওইরিবা ফীভমসিদা ইলেক্সন পাঙথোকপা হায়বসি মতম চাদে। থোক্লিবা ঈরাং অসিগী মরক্তা খুদোংচাবা লৌরগা নেতা শাদুনা লৈ পরেং হুক্তুনা ভোট খোল্লিবশিংসি উবদা অঙকপা পোকই। মসি য়াম্না হন্থবা থাক্কী পোলিটিক্সনি লৌই হায়খি।

সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাকসিনা মরৈ অনী লোংবীগনু। অদোম-অদোম্না পায়রিবা ফমদু পিবা ফম নত্তে। অদোম্না তৌরম্বা ফত্তবা থবক্তু রেকোর্দতা লৈহৌগনি। মদুদা তুংদা য়াম্না নীংঙমদবা লাক্কনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, ঙরাং নিংথেমকোলদগী এন আই এনা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী চীফ আর্মি য়াওনা মীওই অহুম ফাজিনখিবদু অচৌবা নমথাক অমনি। মখোয় অহুম্মক কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি। কুকিশিংদগী মৈতৈ ঙাক্লবা হোৎনরিবা লূপসিগী লুচিংবশিংবু ফাজিনখিবসি শিব সেনানা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না ফোঙদোকখি।

তেন্থাগী গ্রাম পঞ্চায়ট ঘড় ছো লোনশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচ এন এস) : মতম কুইনা পঞ্চায়টকী মীখল পাঙথোক্তনা লৈরক্লবা মতুং ঙসি লৈঙাক্লা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি শেল্লক্তুনা পঞ্চায়টকী রাইট মত্তুনা লাক্লিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি তেন্থা গ্রাম পঞ্চায়টকী জেনরেল পব্লিকশিংনা শীন্দুনা পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা তন্থা হৈবুং কম্যুনিটি হোলদা ৱাকৎ মীফম অমা চথখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুনা মতম হেল্লবা মীয়ামগী মীহুৎশিংবু অনৌবা মীহুৎ অমা খন্নবগী মীখল পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবা মখোয়দা মখা তানা মথৌ পাঙথোকহল্লু। লৈবাক্কী লুরবা তাঞ্জাসিদা লোক সভাগী মীখল পাঙথোক্লবা শেম-শাবদি লেপ্তুবা, পঞ্চায়ট মীখলবুদি নাথৈদুনা থম্বা লৈঙাক্কী থৌওংবু মীফমসিনা অকনবা মওংদা য়ানিংবা ফোঙদোকখি।

মণিপুরদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনসি চৎনদ্রে, দেমোক্রেসি লৈত্রে হায়বসি উৎলে। অদু ওইরবদি হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকসি মচেৎ তানা থুগায়উ। মরমদি লৈঙাকসি কন্সটিট্যুসনগী মখাদা শেমখিবনি। কাঙলুপকী ঈরাং লৈরিঙৈ চৈরক্তা অতোপ্পা খূৎশেমগী ঈরাং অমা শাগৎনবা হোৎনরিবসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক করিনো হায়না হংলদুনা থৌওংসি মীয়ামগী রাইটপু লৈঙাকসিগী খুবাম্মুংদা থম্লগা অপাম্বা মওংদা শান্নবগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোক্লখি। ভোট লেপ্পসু য়াদবা, অপাম্বা মীদা ভোট পীবগী রাইটসু পীদবসিনা তাক্লিবসিদি করিগুম্বা মীখল পাঙথোক্লবদি লৈঙাকসিনা থাদোকপা মীওইশিং মীখলদা মায় পাকপা ঙম্লোই খন্দুনা নম্ফুদা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটিসি শেমজিনবনি হায়না ফোঙদোকখি।

নোংমগী ওইবা সেন্সিটাইজেসন ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচ এন এস) : ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ভোকেসনল ষ্টদিজ এন্দ স্কিল দিভেলপমেন্টকা মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাসটি (মেক্স)কা খূৎশম্নদুনা ৱান দে সেন্সিটাইজেসন ৱার্কশোপ ওন ঐচ আই ভি/এইদস (পি এন্দ সী) এক্ট ২০১৭ ষ্টুদেন্টস এন্দ ফেকল্টি মেম্বর্স ওফ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি হায়না মিংথোনবা ৱার্কশোপ অমা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম য়ুগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এন লোকেন্দ্রো, এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার প্রোফেসর দল্লিয়ু চান্দবাবু, জোইন্ট দিরেক্তর (ক্যের এন্দ সপ্পোর্ট ট্রিটমেন্ট) মেক্স ডা. ঐচ দাইমন্দ অমদি প্রোফেসর টি ঐচ পুর্ণিমানা মরু ওইবা মীথুংশিং ওইখি।

থৌরমদুদা ডা. ঐচ দাইমন্দনা হায়খিবদা, ঙল্লিঙৈ মতমদা ঐচ আই ভি/এইদসনবু নারবদি চহী ১৫ হেন্না পুন্সিনরমদে অমদি ষ্টেটসিদদি চহী ১০ ফানা পুন্সিদবসু য়াওই। মরম অদুনা ষ্টিগমা অমদি দিস্ক্রিমিনেসন অদুক্কী মতিক লৈরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি ইন্টরনেসনল অমদি নেসনল হেল্থ মিসনগী মখাদা এ আর টি চাদুনা লায়না অদু নীংথিনা কন্ট্রোল তৌদুনা পুন্সি শাংনা হিংবা ঙম্লে। কুমজা ২০৩০ দদি লায়নাসি মালেমসিদগী মুথৎপা ঙম্লগনি থাজনরি হায়খি।

এম পি পিনা জেনরেল ষ্ট্রাইক শৌগৎলক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচ এন এস) : লমদমসিগী খ্বাইদগী লিরবা রিজনল পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরিবা মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)গী মায়কৈদগী লৈঙাক্লা ৱারী শাননবা খূৎয়েক পীনখ্রবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী মীওই অহুম ফাজিনখিবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়বু থাদোক্লবা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী কৌরিবা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইকসি শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ঙসি নুংথিল কাংজৈবুং মনিংদা লৈবা এম পি পিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা পার্টিসিগী সেন্ত্রেল কম্মিটিগী মেম্বর ৱাই প্রিয়োকুমারনা হায়খিবদা, লৈঙাক্লা ৱারী শাননবা খূৎয়েক পীনরবা লালহৌলুপ অমগী মীওই অহুম ফাজিনখিবা হায়বসি লাইবক থীবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঈ-হোস্পিটাল টোকন সিষ্টম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচ এন এস) : দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালনা ষ্টেট হেল্থ মিসন অমসুং এন আই সী ইম্ফালগা খূৎশম্নরগা শীনবা ঈ-হোস্পিটাল টোকন সিষ্টম অমা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দি সী থৌবাল অহন্থেম সুভাশ, ষ্টেট হেল্থ মিসনগী দেপ্যুটি দিরেক্তর ডা. মুতুম বিবেক্সন, এন আই সী মণিপুরগী জোইন্ট দিরেক্তর কে গোপাল কৃষ্ণ অমসুং সী এম ও থৌবাল ডা. ৱাই নোকুলনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা অখং-অহে কয়ানা ঈ-হোস্পিটাল টোকন সিষ্টম হৌদোকপগী কান্নবা মীয়ামদা খঙহনখি। সিষ্টমসি লৈরবনিনা মীয়াম্না ও পি দিগী টিকেৎ কক্পদা ওনলাইনগী খুথাংদা কক্পা য়ারগনি হায়খি।

দেসামনা মহৈরোয়শিংদা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচ এন এস) : দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী সেক্রেটরি এদ্যুকেসন ওইনাম রোমেশনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস টেনগী ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন ২০২৪দা সেন্টর ১৫৪দা মহৈরোয় ৩৭,৭১৫না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবসি অশোয়-অঙাম য়াওদনা মপুং ফানা এগজাম থাহন্নবগীদমক দেসামগী মায়কৈদগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

এগজামসিগীদমক মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিংনা চথোক-চৎশিন তৌবদা কোমথোকপীনবা মহৈরোয়শিংগী মহুৎ শীল্লগা হায়জরক্লি।

ইন্টিগ্রেটেদ কম্যুনিকেসন এন্দ আউটরিচ প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচ এন এস) : মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং, সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন, রিজনল ওফিস ইম্ফাল গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা থৌবাল কোলেজগী এন এস এস য়ুনিটকা পুন্না খূৎশম্নদুনা সিষ্টেমেটিক ভোটর্স এদ্যুকেসন এন্দ ইলেক্টোরেল পার্টিসিপেসন (এস ভি ঈ ঈ পি)গী মতাংদা ইন্টিগ্রেটেদ কম্যুনিকেসন এন্দ আউটরিচ প্রোগ্রাম (আই সী ও পি) অমা ঙসি মহৈরোয়শিংগী ওইবা ক্যুইজগী থৌরমগা লোয়ননা থৌবাল কোলেজগী ইন্দোর হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীখল অমা পাঙথোকপদা ভোটর অমনা লৌগদবা থৌদাং কয়াগী মতাংদা মীয়াম্বু মরু ওইনা অনৌবা ইলেক্টোরেলশিংবু ৱাখল তাহন্নবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পায়খৎপা ফ্লেগশিপ প্রোগ্রামদু হৌদোকপগী থৌরমদা থৌবাল কোলেজগী প্রিন্সিপাল প্রো. এম বিনা, কোলেজসিগী টি সী টি এগী প্রসিদেন্ট এস ইবোয়াইমা, আই ও এ সীগী কোওর্দিনেটর প্রো. কে ঐচ জুগিন্দ্রোনা শরুক য়াখি।

এগজাম থাগদবা মহৈরোয়শিংগীদমক থৌনিজরি

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর রিকগ্নাইজদ প্রাইভেট স্কুলস ৱেলফেয়র এসোসিএসন ইম্ফালগী সেক্রেটরি পি রোমেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা মহৈরোয়শিংগী পূন্সিদা ইহান হানবা ওইনা থেংনগদবা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামিনেসন (ঐচ এস এল সী) ২০২৪দা শরুক য়াগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগীদমক য়াইফ পাউজেল পীরকপগা লোয়ননা শেন্নীবা মপুগী মফম্মদা থৌনিজরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, হদক্কী এগজামসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মহৈরোয়শিংসি কোভিদ পেন্দমিক্কী চৈথেং নংখিবদা নত্তনা ঙসি-ঙসি ওইরিবা লৈবাক্কী ঈরাংসিগী অৱাবা চৈথেং চাউনা ফংদুনা নীংথিনা মহৈ তম্বা ফংলক্তবদা নত্তনা পাঙথোক্কদৌরিবা এগজামসি ফাওবা পূক্লিং লৈতানা শরুক য়াবা ফংজদ্রবা মরাইবক থিরবা মহৈরোয়শিংনি। অদুবু এদ্যুকেসন হায়বসিগী মরু ওইবদু য়েংলগা লৈঙাক্কী অখন্নবা মীৎয়েংগী মখাদা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম)না শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এগজামসি অশোয়-অঙাম য়াওদনা মপুং ফানা পাঙথোক্তুনা তুংগী য়ূম্বুরেল ওইরক্কদবা মহৈরোয়শিংগী লাইবক লেপচনবগীদমক লমদমসিগী মীয়াম সেক্সন খূদিংমক্না তেংবাঙবীয়ু হায়রি।

য়েন, ঙানু, হামেং অমসুং ঙা হুরানবা লাকপা কুকিশিংনা নোংমৈ কাপ্লকপদগী ষণ শারগা...

হকথেংনবা পাউদম

তোর্বুং মমাঙ লৈকায়দগী খুঞ্জা অমা

ঙরাংগী মখা... ৱানা শেমগৎ-শাগৎচরকপা পূকচাক ওইরিবা দুকান অমদি ফার্মদা নত্তনা য়ূম ফাওবা থুগায়বা অমদি মৈ তুম্না থাদোকপীখ্রবদা ইচানুপাদি অঙাওবা অমগুম লেল্লি অমসুং নোংমৈনা মশাদা অতম্নমা কাপ্লকপদা পালহৌদদুনা চেল্লকখিবা অদুনসু অমুক ফার্ম লৈবা মায়কৈ অদোমদা ফাওবা য়েংবদা অনাবা হৌদুনা লৈরি। হৌজিক মশম-মনা কক্কনি খঙদ্রে। রিলিফ কেম্পতসু লৈসি য়াদ্রে। ফৌজাগাই কৈথেল মমাঙ লৈকায়দা মীগী লৌদা মনা-মশিং থাদুনা অমদি নুমীদাং-নুমীদাংনা খুল ঙাক্তুনা লৈরি।

সনাতোম্বীনা মখা তানা হায়, হৌজিক-হৌজিক রিলিফ কেম্পসিদা লৈরিবসি কেম্প অসিগী ভোলন্টিয়রশিংনদি ঐখোয়বু অদুক্কী মতিক মমাদা মমাগুম থৌগল তৌরি। নারক-য়েল্লকপদা লেম্না লায়েংনবা কয়া হোৎনরি। অদুবু ইশাদি অহল ওইশিল্লকপনিনা চিকপা নাবা তোয়না তৌরি। অদুবু তোঙান্না লায়েংবা চৎচগদবা অদুসু শেল অমত্তা লৈতে, তানফম লৈতে। অদুনা অনাবা কয়া অমদি লোৎশিন্দুনা নুমীদাংদা তূম্বা য়াদবনা কোঙ্গায়নি। ঐহাক্না রিলিফ কেম্পসিদা লৈবসি ময়াম থেংনবগীদি পুকমেন-পাউমেন্নদুনা নুংঙাইবা ফাওই। অমুক-অমুকসু ইথন্তা নত্তে ঐগুম্বা কয়া অমা লৈরি খল্লি। অদুবু অসুক ৱাবা পূন্সিসিদা হিংগদবগী শরুক শিখিবনা ফরে হায়না খল্লি। ঐহাক্তি ঐহাক্কী য়ূম থুগায়বা অদুদসু ইপুরোইবনা থম্বীরম্বা য়ূমদুদা থৱায় থাজরগে খন্দুনা মচি লেঙদনা ময়াম চেন্নবদা য়াওদবীদা লৈবনি। অদুবু ইচানুপা অহলনা নমদুনা হাপকৎলগা রিলিফ কেম্পসিদা থিনবীরকখিবনি। অৱাবা ময়ামসিগী মথক্তা ইচানুপাসিগী অঙাওবা মতৌদু উবনা হেন্না থম্মোয় শোকপা হায়বদু ওইরে।

মরকসিদা ইমৌনুপীসু মে ৩দা য়ূম মৈ থাবা, থুগায়বা মরক্তুদা মহাক্কী মচা উনবগী থা ৩ ফাদবা, ঈ নৌনা লৈবনিনা মদুগী অনাবা অমা ওইনা কুইনা হোস্পিটালদা লায়কন্নদুনা লৈরুরে। হৌজিকসু অনাবা অমা ওইনা লৈরি। অৱা-অনা কয়াসি লৈঙাক্তা হায়জবা য়াবা হায়জরে। য়ূমদা হলহনবীয়ু হায়বসু তাবীদ্রে। নৎত্রগা মখোয়গী তংদাংবা অমা খঙহনবীরো হায়বসু করিমত্তা তাবীদ্রে। মরমসিনা হৌজিক্তি মখা তানসু করিমত্তা হায়জনিংদ্রে হায়রকখি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯴ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ) : [illegible]

CAS Coaching Centre
CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal

Admission Open
FOUNDATION COURSES

Hurry!!!
Seats are limited
First Come First Served

CLASS XII
(Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)

CLASS XI
(Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)

CLASS X
(English, Maths, Science, Social Sc. & Home Sc)

Special features:
- Concession for 1st come 10 students
- Special Concession for Meritorious, Ethnic Victim Students.
- Experienced and Expert Faculties.
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2025

Hostel for BOYS & GIRLS Available

Classes commencing from
18th March, 2024(1st Batches) & 4th April, 2024(2nd Batches)

Morning:(4.00/4.30– 7.00/7.30) A.M. # Evening:(4.00–7.00)P.M

For Details:- CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal (Mayai Lambi Machin) # 6033817130

HL-B/8605/7 to 31 March

SOCIAL DEVELOPMENT FRONT
Nagamapal Phougeishangbam Leikai

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯠ/NOTICE
Imphal 14th March, 2024

Notice is circulate to all the interested person that Social Development Front, Regd. No. 357 of 2004 address Nagamapal Phougeishangbam Leikai has duly change its name to "Binodini Skill Society" address at Senjam Khunou P.O. Lamsang & P.S. Sekmai, whereas the Regd. No. 357 of 2004 remain same. Vide resolution No. 2 of Special General Body Meeting held on 25th Feb., 2024, therefore an objective is called from interested persons within 5 days from the publication of this notice. Any complain after the given period shall not entertain in future.

Sd/- **Nk. Sunila Devi,** Secretary
Social Development Front
9366908405

HL-P/9976/15

চহীগী দশা য়েংজরি / ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ

মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/8620/11 to 15 April

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W) [illegible]

SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE *for*

CLASS -XII Sc. (COHSEM)
Class commencing on 5th April, 2024 (4:20 pm to 7:40pm)

18TH POSITION
Yumnam Hemlan
MECI Explorer Academy

20TH POSITION
Bhumika Rajkumari
COMET School

86%
Ranjan Chungkham
MECI Explorer Academy

86%
Bonita Laishram
COMET School

Form available at :
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm - 7:30pm)

☎ 9233836426
7085521821

HL-B/8555/14/2 to 14/3

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W) [illegible]

SANGAI HOSTEL
Kwakeithel Ningthemkol, Imphal West-795001

ADMISSION OPEN
(FOR BOYS & GIRLS)

Counselling for Class IX & X (BOSEM)
17th March 2024 (SUNDAY)
10: 00 am to 11 : 00 am

CLASS-XII Sc. (COHSEM)
Class Commencing on 5th April, 2024 (4:20pm to 7:40pm)

Counselling - 17th March, 2024 (SUNDAY)
(11 : 00 am 1st Phase & 1 :00 pm 2nd Phase)

Special features for Hostellers:
- ➡ Six month Foundation Course.
- ➡ Study materials published by Altish Voltex, New Delhi.
- ➡ Regular Unit Test.
- ➡ Special class for weak students.
- ➡ Van services from hostel.
- ➡ Freeship for Rank holders.
- ➡ Strict rules and regulations.

60 seats only.
20 for Boys and 40 for Girls

N.B: 1. Students should come with proper school uniform at counselling.
2. Mode of selection will be based on HSLC mark and distance.

Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College (3:00pm-7:30pm)

☎ 8413855751
7085521821

HL-B/8650/15